**Shikshan Sanshodhan : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences** ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal Impact Factor: 9.134
Volume - 8, Issue - 12, December - 2025

DOIs:10.2018/SS/202512003 --:-- Research Paper / Article / Review

# রঘু লৈশাংথেমগী ''খুঙ্গংগী চিঠি''দা মীৎয়েং অমা

**Dr. Naorem Bidyasagar Singha**
Associate Professor, Department of Manipuri
Gurucharan University, Silchar, Cachar, Assam, India
Email: bidyasagarnao@gmail.com

**এবষ্ট্রেক্ট:** পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাউ মতুংগী মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচৎসি মোদর্নিজম অমসুং পোষ্টমোদর্নিজম হায়না চাউরাক্লা য়েংবা য়াই। ইং ১৯৪৮-১৯৪৯ অসুৱাইদগী এলাংবম নীলকান্তগী 'মণিপুর' শৈরেং ফোঙলকপদগী মণিপুরী শৈরেংদা মোদর্নিজমগী ঈচেল হৌই। অদুগা '৭০গী দিকেততদি অনৌ-অনৌবা থিম, ষ্টাইল, টেকনিক, দিক্সনগা লোয়ননা মোদর্নিজমগী মহৌ-মকা ফন্না শাৎকায়বা তাংককনি। মসিগী মতুংদা '৮০ অমসুং '৯০গী দিকেত য়ৌরকপদদি পোষ্টমোদর্নিজমগী ঈহৌসু মণিপুরী শৈরেংদা থুংলখি। কবি অরাম্বম মেমচৌবী, মোইরাংথেম বরকন্যা, বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, লনচেনবা মীতৈ, শরতচান্দ থিয়াম, এল. ইবেমহল অসিনচিংবা থোরকতুনা মোদর্নিজম মণিপুরী শৈরেংগী থিম, খূৎই, মফোঙদোক্নচিংববু থুগায়দুনা পোষ্টমোদর্নিজমগী মশক শাগৎলকখি। হায়রিবা মীরোল অসিগী মরক্তা কবি রঘু লৈশাংথেমসু অমনি। কবিসিগী ''খুঙ্গংগী চিঠি'' (২০০৫) হায়বা শৈরেং লাইরিকসি মণিপুরগী মতমদুগী ফোং-ফোং শারিবা থৌদোক ৱাথোকশিংবু ইমেজরী, মেটাফরনচিংবা খূৎলোয়না শীজিন্নদুনা লাম্ভোরকপনি। পোষ্টমোদর্ন মণিপুরী শৈরেংগী মহাও অমসুং লৈনম য়েল্লিবা লাইরিকনি।

**কি ৱার্দস :** পোষ্টমোদর্ন, সুরিয়েলিজম, ইমেজরি।

রঘু লৈশাংথেম (১৯৫৯) মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেলদা পোষ্টমোদর্ন পোইট অমা ওইনা শীংথানৈ। মহাকপু পোষ্টমোদর্ন পোইট অমা ওইনা শকখঙনখিবদি মহাক্কী "লানবু লৈ ওইনা শান্নরিবা" (শৈরেং ১৯৯৫) হায়বা শৈরেং লাইরিক অসি ফোঙলকপদগীনি। কবি অসিগী ফোঙখ্রবা লাইরকশিং অদুদি "পুন্সি তেলঙ্গা" (শৈরেং, ১৯৯১), "লানবু লৈ ওইনা শান্নরিবা" (শৈরেং, ১৯৯৫), "নুং অসি লাইনি লৈ অসি ঈনি" (শৈরেং, ১৯৯৯), "হনুবীগী ঈশিং পুন" (শৈরেং, ২০০২), "খুঙ্গংগী চিঠি" (শৈরেং, ২০০৫), "অতিথি উচেক" (অঙাংগী সাহিত্য, ২০০৩), "তেঙ্গৈ অমসুং ঙা মমীৎ" (অঙাংগী ৱারী, ২০০৫) অসিনচিংবিনি। "হনুবীগী ঈশিং পুন" হায়বা শৈরেং লাইরিক্তা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা পীবা তেলেম অবীর এৱার্দ (২০০৬) অমসুং রাইটর্স এসোসিএসন ককচীংনা মাগী "খুঙ্গংগী চিঠি" শৈরেংগী লাইরিকতা নাওরেম কাহ্নাই সাহিত্য মনা (২০০৭) পীখ্রে। কবি অসিগী শৈরেংশিং ইংরাজী চেফোংশিং, এন্থোলোজিশিংদা হন্দোক্তুনা ফোঙখ্রে।

কবি অসিগী "খুঙ্গংগী চিঠি" হায়বসি সাহিত্য অকাদমি এৱার্দ ফংখ্রবা শৈরেং লাইরিকনি। শৈরেং লাইরিক অসিদসু "লানবু লৈ ওইনা শান্নরিব"দগী হৌনা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা লানগী মৈরী মৈখুনা পুম্মম মল্লবা মণিপুরগী চরাঙনবা ফীভম য়েকপা, শান্তিতবু ঈখৌ লাংজবা, ফংবদি ঙমদবা, তৌইগুম্বসুং আশাদি মাঙদবা খোঙচত্তু মখা শমথরকপনি। ("পুন্সি তেলঙ্গা"দদি য়াম্নমক রোমান্টিক ওই।) কবি এলাংবম নীলকান্তগুম্না "রি-করেন্ট থীম" অমদা ইবগী মওংদু রঘু

লৈশাংথেমগী শৈরেং লাইরিকশিংদসু থেংনরি। অদুবু অপাবশিংনা হংলিবদি কবি নীলকান্তগুম্না ৱাহং কয়াগা লোয়ননা হং-হংদুনা অসুম অসুম আ মনুং য়ৌনা মরেপ লুথনা চঙশিল্লকপা খোঙচৎতু কবি অসিগী খূৎইদা থেংনরব্রা হায়বা অসিনি।

কবিসিগী "শান্তি" কৌবা শৈরেংসি সেটয়ারগী সুর অমদা শকপনি। নহারোল লানহৌবু নমথনবা শান্তিগী মিংদা লাক্লিবা ইন্দিয়ান আর্মিশিংগী হিংসাগী শাজৎপু করেম্নবনি। শান্তিগী মিংদা মরাল লৈজদবশিংবু নোংমৈনা কাপতুনা হাৎতোকপা, চমজরবী চনুরাশিংগী নমজা নমথেক্তুনা ফিজি ফিনা নেৎপিবা মতৌবু করেম্নরি :

শান্তি
অনৌবা নোংমৈ অমগী মমিংনি
মাগী মরুনা পাল্লি
মরাল লৈজদবা মীচমশিংগী হকচাংদা।
... ... ... ...
অমুবা উচেকশিং
পাইথোরক্লি হৌজিকসু
অনৌবা শান্তিগী নোংমৈ মখুলদগী
লেপ্পা লৈতনা ঙসিগী মীশিংগী মরায়বকশিংদা।

(২০০৫ : ১৪)

শৈরেংসিদা ঙসিগী মণিপুরগী ওইরিবা গন কলচরগী মশক্তু ময়েক শেংনা য়েক্লি। শান্তিনা নোংমৈ মরূ ওইদুনা মীচমশিংবু হাৎপনি। শান্তি ঙাকপগী মহুৎতা আর্মিশিংনা নোংমৈ মরূ ওইনা পাইথোরকপনি। সুরিয়েলিষ্টিক ওইবা ইমেজ অমা শাগৎতুনা উৎপনি। ফজবা শৈরেংনি। "খোঙ্গুল"দসু মতমসিগী ঈখেং শীন্থবা মণিপুরগী মায়থোংবু পামজনা য়েক্লি। নীংতম্বগী শীংনবদা য়াইবি থৱায় থাখ্রবশিংনা মণিপুরগী অতিয়াদা অরংবা থৱাম্মিচাক ওইনা ঙাল্লি। থৱাম্মিচাকশিংগী মরক্তা মমানা মচাশিংবু থিরক্লি। মমা অসিনা কবিগী শৈরেংশিংদসু অমদি অমম্বা অহিংদসু মচাশিংগী খোঙ্গুল থিরক্লি। মসি পাউখোং অমনি। মমা অসিনা মৈতৈ লৈমগী সিম্বোলনি। থম্মোয় শেংনা, মরৈবাক নীংবা, অচুম্বা চৎপা মচা মৈতৈ লৈমানা থিবনি। অদুবু ফংবদি উৎতে। মমাগা মচাগা অনীগী লাপ্পবা মতৌ নৎত্রগা উনবা ফংদবা ফোঙদোকই। মচাশিংনা মমাগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা ওইরিবসি তশেঙনা মমাগীদমক্তা কৎথোক্লব্রা, অদু ওইরবদি মমাগা মচাগা করিগীদমক্তা অসুক তাম্নরিবনো হায়বা ৱাহং অমা লোন্না পাউখোং চল্লি। মসিগী ৱাখল্লোন অসি "ঐগী ইমা" হায়বা শৈরেংদা উবা ফংই। "ঐগী ইমা"গী অহানবা ষ্টেঞ্জাদা শাগৎলিবা পরেংশিং নৎত্রগা মেটাফর অসিদি রাবননা সীতা ফাবদা ওইখিবা ফীভমদু নীংশিংহল্লি :

ঐগী ইমা
থাদরম্মী লম্বীদা
অমনবা চরৈ ফি মচেৎ মচেৎ শেগায়দুনা
মমাগী খোঙ্গুল লীরক্লবা

(২০০৫ : ৪২)

লানগী মশক য়েকপসি "খোঞ্জেল অমগী ঈশৈ"দসু থেংনরি। শৈরেংসিদা শীজিন্নরিবা ইমেজরি অসি থোৎ মেঙনা ফজৈ। নেচরগী পোৎলমশিংতনা ঈ-নাইগী ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদনা শাগৎপা লানফমগী শক্তমনি। শৈরেংসিগী অরোইবদা

লমদমসিগী ৱাকৎফম লৈত্রবা উপায় লৈত্রবা মীচমশিংগী পুন্সিবু তোর্ব্বান্দা তারিবা মীয়াম্না খোঙনেৎনরিবা অপীকপা নূংশিং ওইনা মেটাফর পীরি :

ঈচেলগী তোর্ব্বান্দুদনা
তাদুনা লৈরিবা অপীকপা নূংশিংনা
অমম্বা মরক্তা তুমিন
ৱাকৎ অমত্তা য়াওদনা তারি
খোঞ্জেল অমগী ঈশৈ ।

(২০০৫ : ৫৬)

শৈরেং অসি অতোপ্পা ৱাহম্বোক অমসু পীবা য়াই । হায়বদি ৱাহম্বোক অনী লৈবা মমায় অনী লোঙবা শৈরেংনি, মিষ্টিকেল সুর ওইনসু লৌবা য়াই ।

কবি অসিগী শৈরেংশিংদা লানফমগী মশক য়েক্লগতা তোক্তে, শান্তিদু ঈখৌ লাংজবা অমদি শোয়দনা ফংলগনি থাজবগী অচেৎপা ফিরেপ অমসু উৎলি । “খোঙচৎ” শৈরেংদা মসিবু ইম্বোক্তুনা শৈরেংসিদা অচুম্বা, শান্তিদি মাঙদ্রি হায়বদু ফংশনল ইমেজরিনা ফজনা ফোঙদোক্লি :

মন্দিরদগী তারকপা
মোইবুং মখোন্দা
অঙনবা অয়ুক্কী নুমিৎ
মঙক থাংগৎলকই মমীৎ পাঙথোরকই
অমম্বা মহুমদগী পাইথোরক্তুনা ।

(২০০৫ : ৬০)

আশা উৎপা অতোপ্পা পন্দবা ঙমদবা শৈরেং অমদি “মঙাল” হায়বসিনি । শৈরেং অসিমক্তি ইচম চম্না অয়ুক্কী ফজবা শৈথাবদা ইমেজরিগী মতীক উৎপা ওইনসু লৌবা য়াই :

মঙাল
শাংলবা উরিগুম য়াম্থরক্লে
অশংবা উমংদগী অৱাংবা চীংদোন্দগী
খুন মচা মচাশিংনা অশংবা তোর্ব্বান্দা শান্নরিঙৈ
তনৌরবী মৌ নহাশিংনা হাইদোক্লদুনা ফিজিশিং
ঈশিং পুন পুদুনা থোরক্লি ।

(২০০৫ : ১৮)

কবি অসিগী লান অমসুং শান্তিবু ইখৌ লাংজৱা শৈথাবা হায়বা থীম অসিদি মাগী লাইরিকশিংদসু তোয়না থেংনখ্রবা রি-করেন্ট থীমনি । অদুবু মপান্থোংগী মায়থোঙ য়েকপদা হেন্না পূক্নিং চঙই, নুং লুপ্পা চঙশিনবগী মশক্তি উদে । অপাবশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন থেংনরবনি । অদুবু ৱাখল্লোন্দা নুং য়ৌশিন্দ্রবসু অপাবশিংদা নুংঙাইহল্লিবদি ইমেজরি, মেটাফরশিং অসিনি । মমাঙগী লাইরিকশিংদা ঈ, মৈ, নোংমৈনচিংবা ৱাহৈশিংনা কবোক চাইদুনা শাগৎলকপা লানফমগী মশক্তু হন্দক্কী

লাইরিক্তদি ৱাৎনা থেংনৈ। অদুবু হন্দক্কীসিদদি থোৎ নৌবা প্রকৃতিগী পোৎলমশিংদগী শাগৎপা লানগী শক্তম ফোঙদোকপা ইমেজরি, মেটাফরশিংগী মহাওসি কবিসিগী খূৎইদা অহোংবা অমনি। মসিমক্তি "হনুবীগী ঈশিং পুন"দসু খরমখৈদি ঈঙ্গিৎনা উৎখিবদু হন্দক্কা মায়কৈসোমদা মায়পুননা চঙশিল্লকপনি।

কবিসিগী হন্দক্কী লাইরিকসিদা য়াওরিবা শৈরেংশিংদা রাজনীতিৱালাশিংগী ওইজবা থিবা, শেঞ্জা-থুমজা পান্বা শাজৎ উৎপা, ইন্দিয়াগী লায়রবা ফীভম ফোঙদোকপা, কবি মশাগী নুং অমসুং পানগী মশক য়েকপা অসিনচিংবসু য়াওরি। পন্দবা ঙমদবদি রাজনীতিৱালাশিংগী শেঞ্জা থুমজাগী শাজৎপু সেটয়ার ওইনা উৎপসিনি। "উপাল অমগী উশা অনী"দা হায়রিবা মশকসি য়েক্লি। নেতাগী ভাষনবু থাজদুনা কবিনা উপাল ওইনা ময়ুমদা চার তৌই। ঈশিং চাইদুনা মখোঙ শোমজৈ। উপালনা চাউরক্লবদা উশা অনীনা খূৎ ওইনা তিংথোরক্তুনা শেল নীরকই। সুরিয়েলিষ্টিক ওইবা মশক্লি :

নোংমা নুমিৎ অমদি
ঐঙোন্দা হায়রকই থিন্দোরক্লিবা উশা অনীদুনা
পৈশা পীয়ু লুপা পীয়ু
... ... ... ...
উপালদুনা নোক্লদুনা খোঞ্জেল থোক্কা লাউরকই
মতমসিগী চৎনবীনি নঙনা উহৈ পাল্লবদি
পৈশা পীয়ু লুপা পীয়ু।

(২০০৫ : ৩)

কবি অসিগী শৈরেংগী ফজবদি ইমেজরিদা লৈ। ৱাখল মীৎয়েংদা য়াম্নমক মরেপ লুথবগী মতৌদুদি নত্তে। ইমেজরি শেম্বগী হৈশিংবসি কবিসিগী মগুণ অমনি। মহাক্কী খূৎইদা সুরিয়েলিজমগী মওং মতৌসু খূৎলোয়না শীজিন্নবা থেংনৈ। অদুগা কবিসিগী খূৎইদা থেংনরিবা দোষ খরদি ক্রাফটমেনশিপ চেকশিন্দবা সিম্বল মেটাফর চান্নবা ৱাৎপা অমদি হঞ্জিন হঞ্জিন শীজিন্নবা ইমেজরি অমদি ৱাহৈ ৱাতাগী রিপিটেশন অসিনি। অদুবু মণিপুরী আধুনিক তুংগী শৈরেংগী ঈচেলদা মফম অমা কল্লিবা কবিনি।

## মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং :


১. লৈশাংথেম, রঘু, *পুন্সি তেলঙ্গা,* অহানবা ফোঙবা, ইম্ফাল, ১৯৯১।
২. ——————, *লানবু লৈ ওইনা শান্নরিবা,* অহানবা খূৎনম, ইম্ফাল, ১৯৯৫।
৩. ——————, *নুং অসি লাইনি লৈ অসি ঈনি,* অহানবা ফোঙবা, ইম্ফাল, ১৯৯৫।
৪. ——————, *হনুবীগী ঈশিং পুন,* অহানবা খূৎনম, ইম্ফাল, ২০০২।
৫. ——————, *খুঙ্গংগী চিঠি,* অহানবা ফোঙবা, ইম্ফাল, ২০০৫।